# গীতা জয়ন্তিগী মফমদা অখন্নবা ৱারেং

## গীতা জয়ন্তী

### ককচিংতাবম ব্রজমণি শর্ম্মা, ককচিং খুনৌ

**পৃথিবীদা** মমল য়াম্লবা পোৎ ময়াম লৈ, ময়ামদুগী মরক্তা শ্রীমদ্ভগবদ গীতাসু অমনি। শক্নাইরবশিংসিগী তোপ তোপ্পা মগুণ অমদি শোয়দনা লৈ। ঐখোয় মীওইবনা মগুন্দু খঙনা পোৎশক অদু লোয়নরবদি কান্নবা ফঙই, তৌইগুম্বসুং কান্ননবা শীজিন্নবদি হৈতনা পোৎকী মপু ওইবনদি কান্নফম খঙদদুনা তোকই। লমহুইনা অঙ্গুর শীল্লি হায়নবগুম্না করিবু কান্নবনোদা হায়দুনা লংথোকপদা নত্তনা মাঙহনবসু য়াই। শ্রীমদ্ভগবদ গীতাবু পারগা নৎত্রগা তারগা লানগী ৱানি, কান্নদবদা পংঙাং ঙাংবনি হায়দুনা খন্নবসু য়াওদবা নত্তে। মীওইবনা অহোংবা পোৎ পাম্নে। মসিগী মরমদি মদু শীজিন্নরগা হুন্দোকখিবা য়াই। অতাংবা পোত্তি শীজিন্নবা লেপ্পদা মমল লৈরক্তে। মীমাঙদা পুথোকপা য়াদনবা মমল য়াম্বা লৈতেংগী কান্নবা লৈতে। পোৎ লোইরিবা মীদদ পোত্তুমক্না পোৎলুম ওইরকপা য়াই। পোৎলুম্বু হেক ওইরবদি পোত্তু মাঙননবগী অহৌবা থাক ওইরবনি। মী অমদা পোৎ, মী, লন নৎত্রগা ৱাখল অমনা মতেং পীরবদি মদুবু মমল য়াম্বা অমসুং পাম্মুবনি হায়। পোৎ, মী, লন, ৱাখল অদুমক্না মতেং পীবদি লায়রদুনা পোৎলুম ওইরক্লবদি মীদুনা মদুদগী শোয়দনা নাম্থোক্লিংই, লাক্তুনা ফাওবা লংথোক্লিংই, থাসু থাদোকই। অদুগা কান্নবসু কান্নদবসু অনীমক ওইদ্রবদি মীদুগী লন অমখক্তং ওইরগা লৈহৌই। করিগুম্বা হায়খ্রিবদু মী অমনা শিবা ফাওবদা থাদোক্তনা শীজিন্নখ্রবদি মদুমক মীদুগী মশক তাকপদা য়াওদবা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইরকই। মদুদি রবিন্দ্রনাথকা ৱারেং শৈরেংগা থাদোক্লরগা মশক তাকপদা মপুং ফারোই। বিবেকানন্দগা লাইনিং লম্বীগা খাইদোক্লরগা থম্বা য়াদে। গান্ধীজীগা অহিংশাগা তোঙান তোঙান থম্বদা মপুং ফাদে। অসুমনা মী হায়বসিদা শক্নাইবা ওইরক্লবা হোৎনবদা পোৎ, মী, লন, ৱাখল অমসুং মখোয়বু লোয়নখিবগী মওং য়েংশিন্দবা য়াদে। লোয়নবদুদা হঞ্জিন হঞ্জিন থেঙনবা নীঙহন্নরকপা মতাংশিংদা কন্না ঙাকখৎলগা চৎলিবা, অফবা লম্বীদুদগী হাইদোকখিদনবা অমসুং চুম্না চৎননবা, পন্থুং য়ৌননবা শাগোন্নদুনা, শেন্নদুনা অমসুং খূৎশম্নদুনা চৎলিবা, তোঙবাংলিবা মচাক অমা শ্রীমদ্ভগবদ গীতানা ওই। মসিদা জাতি, কুচু, মফম, মতম নৎত্রগা মীচং মীখাইগী ৱা লৈতে। ৱাফম অসি কমদৌনা হায়রিবগে হায়বদু খরদং, ঙসিগী গীতা জয়ন্তী নুমিৎসিদা য়েংমিন্নসি।

১) মীৎয়েংফম মশক খঙবাঃ গীতাগী অহানবা মোক্না, ধর্ম্মক্ষেত্র কুরুক্ষেত্রদা লান শোক্ননিংদুনা পৈরগা লৈরিবা ঐগী (ধৃতরাষ্ট্রগী) ইচাশিং অমসুং পাণ্ডু (মনাওনুপা লৈখিদ্রবা) গী মচাশিং করি কমদৌনখ্রবগে হায়না হৌই। ধৃতরাষট্রনা হংলিবসি সঞ্জয়দনি। সঞ্জয়দা মীচং চঙবগী ৱাখল, মীনম্বা, হায়জিনবা, ওইজথিবনচিংবা ৱাখলশিংসি লৈতে। মরম অসিনা মহাক অশেংবদু খক্তা পাউদম্বা নুপা অমনি। ধৃতরাষ্ট্রগী ৱাহংনা 'ঐ' হায়বা ৱাসিদা অরুম্বা পীরগা ঙাংই, ধর্ম্মক্ষেত্র হায়রগা ধর্ম্ম তৌফম, হকচাংবু খঙনৈ। হকচাংনা হৈনিংনা পাঙথোকপা থবকশিংবু হৈনবী কৌই। হৈনবী ওইখ্রবদি থবক তৌবগী অৱাবা য়াওদবগুম ফাওই। মসি করিগুম্বা নিয়ম খরগী মনুংদা পাঙথোক্লবদি অদুগা মদু পাঙথোক্তবদা হৈনদবা ফাওরবদি মদুমক ধর্ম্মগী নিতি নিয়ম ওইগনি। অফ-ফত্ত নৎত্রগা অপাম পামদগী ৱাফম্না তোঙান্না থম্লগা, ইরুজদনা চাবা থকপদা হৈনদবা, চন্দন খজিক্তং থিন্দ্রবদি মীরক তিন্নিংদবা অসিনচিংবসি ধর্ম্মগী ওইবা থৌশিংনি। মখোয়সিদি হকচাংনা কল্লিবমখে, নুংঙাইরিবা অমসুং খিংলিবমখে থাদোক্লদবনিনা মীদুগী ধর্ম্মগী লীচৎ ওইনা লৌনৈ, অদুনা ধর্ম্ম ক্ষেত্রনা খঙহল্লিবসি পাক চাউজরবসু হৈনবী হায়বদুনা হেন্না মরম চাবগুম তৌই, মদুমক গীতানা স্বভাব হায়না কন্না নৈনৈ। মী অমবু মপুম ওইনা শক্তাকপদা অচৌবা শরুক য়ারিবসি মীদুগী স্বভাব অসিনি। নিংথৌ ওইগেরা চাক্লিবা ওইগেরা হুরানবগী হৈনবী লৈরম্লবদি নিংথৌ শেঞ্জাবা চাক্লিবা হুরানবা হায়বা অমদি মশক তাকপদা লোয়নদবা য়ারোই। শীংলি মচা অমত্তং থুপখিবদা চাউরবা হকচাং লেঙবা ঙম্নদবগুম্না পীকখ্রবা ফত্তবা স্বভাব অমনা মীথোইবা অমগী মশক থীহন্নবা ওই। গীতানা ৱাফমসি মুন্না খঙলগা নৈনৈ। অতোপ্পা লাইরিকশিংদা মসি মরম চানা নৈনবা উদবগুম তৌই। স্বভাব নৎত্রগা হৈনবীসিদগী মপুং ওইবা অমসুং মরু ওইবা মচাক লৌরগা অশিবগী মরক্তা পোক্‌চরবসু মী অমবু শিদবা ওহলহল্লি। অদুনা স্বভাব নৈনদবা য়াদে। ধৃতরাষ্ট্রবু মীৎতাংবা, ওইজ থীবা, মচা ৱারকপা হৈতবা অমসুং মীচং মীখায় নাইবা ওইনা মহাভারতনা তাকই। অদুনা ৱাহৌদোক ওইবা ৱাহে পরেংদসু 'মামকা' (ঐগী) হায়বমা ৱাহৌ ওইরি। অর্জ্জুনসু ২ শুবা অধ্যায়গী ৪ শুবা শ্লোক্তা 'অহং' (ঐনা) হায়রগা কমদৌগদগে হংখি। ধৃতরাষ্ট্রগী ৱাহংসিদা হকথেংননমক নৎত্রবসু নাকোইননা সঞ্জয়না ৪৭ শুবা শ্লোক্তা অর্জ্জুননা হীকথদুনা খূৎলায় লংথোক্লগা থম্মোয় শোক্লদুনা নৎত্রগা ৱারদুনা ফমথখিবা, মথৌদগী নাম্থোক্লিংবগী হৈনবী অমা লোৎলম্বদু উৎখিবগী ৱা তম্মী। অদুগা অনীশুবা অধ্যায়দসু আর্জ্জুনগী 'অহং' শীজিন্নরগা কমদৌগদগে হংলুবদা পাউদল্লিবা সঞ্জয়না শ্রীকৃষ্ণগী ইঙ্গিৎ ''প্রহসন্নিব'' (নোক্লরদনা নৎত্রগা নোক্লদুনা) হায়বা পল্লি অদুগা ভগবান্নসু অর্জ্জুনদা অশিংবা শাবা (২ / ১১) হায়না চৈরি। অদুনদি, তাইবঙপানবসিদা 'ঐ' অমসুং 'ঐগী' হায়বনা মাঙ থারবা মীশিংদি শোয়দনা ফুম্বংনগনি। ফিরেপ লৈরোই। অচুম অরানসু খঙলোই, অতোপ্পশিংদা করি তৌগদগে শোয়দনা হংগনি, মশানা মশাবু পুজবা ঙম্লোই অমসুং অৱাবা হায়বদুদগী খক নাম্থোকপা ঙম্লোই হায়বসি শোয়দ্রবনি। গীতানা মীওইবা পূম্বগী ওইনা ধৃতরাষ্ট্র অমসুং অর্জ্জুন কৌবা মীশক অনীদা 'ঐ' অমসুং 'ঐগী' হায়বনা শাগোন্নহল্লগা, মদুগী মহৈদি ফুম্বংনগদবনি, ৱাগদবনি, শিনিংবা ফাওবা ফাওগদবনি হায়ববু তাকথোক্লগা থম্মে। ফোর্মুলা অমখক্তনা অঙ্ক লীশিং লাক্ষা হোৎপা য়াবগুম, ছচ্চা অমত্তনা ধাতুগী পাত্র ময়াম শেম্বা য়াবগুম ধৃতরাষ্ট্র অমসুং অর্জ্জুন অনীদা 'ঐগী' দা ঙাওবা, 'ঐ' দা ঙাওবা ছচ্চা অনী উৎলগা থম্লে। অসুক ফজনা তাকপা সমাজগী অমসুং মী অমগী লন্নাইগী ওইবা স্বভাবনা পীবা ওইরক্কদবা মশক গীতা নত্তবদি ময়েক শেংদে হায়বা ঙম্লোই।

অশোয়বা অমা শেমদোক্লগা শোয়দ্রবা ওই। ইশানা ইশাদা ঐ শোয়রব্রা হায়না হংবদা শোয়রে নৎত্রগা শোয়দে হায়বসি শোয়দনা খঙই। মীনা হায়রবদি শাউনিংগনি। ইশাগী অশোয়বসি চুমথোকচরগে লেপ্লগা চুমথোক্কদৌরিবদু কদোমদনো, করিদা পান্দমগদবনো হায়বদু খঙননবা য়েংবা তাই। মদুদা অচুম্বা মীৎয়েং থোক্লক্কনি। মীৎয়েং চুম্লগা মীৎয়েংফম নৎত্রগা পান্দমফম অমা ময়েক শেংনা থম্বা ঙম্লবদি পূন্সিনা ঙাল্লোইদবগী মরম লৈতে। মসিমক অহানবা শ্লোক অসিদগী তমশিনবা তাই।

**২) মতেং লৌফম খনবা ঃ** মীবু মীনা অমসুং অতৈ কয়ানা শৌগৎলি। শৌগৎপা, ঙাকপা অমসুং শেন্নবা য়াওদনা খক কাবা ঙমদে। অশিংবা মীনা ৱাখল ফিদমদগী শৌগৎনবা লৌই, ময়াই ওইবশিংনা লন-থুম নৎত্রগা শাগে, মরূপ মপাংনচিংবদগী শৌগৎনবা মতেং লৌই অদুগা অতোনবা মীনা খন্থদবা অমসুং নাতৈ চাবা চাদবা থিদবা, থোকউ থোকউবদগী শৌগৎনবা মতেং লৌই। ফিদম্না শৌগৎপা মীবু নিয়ম নাইবা, লন-পাঙ্গলনা শৌগৎপা মীবু ময়াই কাবা অমসুং থোকউ থোকউবদগী শৌগৎপা লৌবা মীবু মচিং মশোন নাইবা ওইনা উনৈ। গীতানা অহানবগী খল অসিদগী মতেং লৌনবা ইঙ্গিৎ তৌই।

পূন্সিসি থৌদোক ময়াম মথং মথং লোয়নাইদনা মায়োক্লে। অমুক্না অকনবগা অদুগা অতোপ্পা তাঞ্জাদনা অমোনবগা থেঙনৈ।করিগুম্বদা লম্বী লম্মুক্লরবদি, কদোম পাঙগদবনো হায়বদু খঙদ্রবদি অখঙবা অমদা হংবগী তঙাইফদবা লৈ। অসিগুম্বা তাঞ্জাদা কনাদা হংগদগে হায়বসি অচৌবা ৱাফম অমনি। গীতাদা ৱাহং পাউখুম তৌবা, য়াওরিবসি অহুম্নি। অহানবনা ধৃতরাষ্ট্র অমসুং সঞ্জয় অনীশুবনা শ্রীকৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুন অদুগা অরোইবদুনা দ্রোনচার্য্য অমসুং দুর্য্যোধন। ধৃতরাষ্ট্রনা সঞ্জয়বু মঙোদা লানপাউ তম্ননবা মীশক ওইনা খনখি অমসুং ব্যাসদেবনা সঞ্জয়দা লাইগী মীৎ পীখি। অর্জ্জুননা তৌফম খঙদ্রবদা কৃষ্ণদা হংখি। অদুগা দুর্য্যোধননা দ্রোনাচার্যদা শাওহল্লগা কান্নবা লৌননবা ৱা হায়খি। ধৃতরাষ্ট্রনা অতৈ মন্ত্রীশিং খনবগী মহুত্তা মাগী শেন্নবা সঞ্জয় খল্লিবা করিগীনো হায়বদি সঞ্জয় ধর্ম্ম কায়দে, অচুমবা ঙাংই। মঙোন্দা মীচংগী ৱা, তাৎকী ৱা অমত্তা লৈতে। খঙলিবা উরিবশিংদুমক তম্মী। মাগী ওইবা ৱাফম য়াম্না তাঙনা, লোয়শিল্লকপদা অমখক হায়। অদুনা ৱা হংফম ওইবা য়াই।

শ্রীকৃষ্ণদা অর্জ্জুন্না হংই। করিগুম্বা লান শোক্লগদ্রা শোক্লরোইদ্রা হায়বা ৱাহংসি ময়াম্বা ভীমদা হংলম্লবদি 'লান শোক্লৌ' হায়রমগনি। করিগুম্বা যুধিষ্ঠিরদা হংলম্লবদি 'লান শোক্লগনু' হায়রমগনি। মখোয় অনীমক অর্জ্জুনগীদি গুরুমক্তনি। হংফম্নি, হায়বা ইনফমসু থোকইবনি। অদুগা ঐখোয়না খন্থবা ঙম্মী মদুদি ময়াম্বা অনীনা ওন্ন তৈননবা পাউখুম পীগদৌরিবগী মরমসি ভীমনা 'হিংশা' গা অদুগা যুধিষ্ঠিরনা 'অহিংশা' গা মীচং ওইদুনা লৈখিবনি। মসিদগীসু ফজবা ৱাফম অমা থোরক্লে মদুদি ৱাহং হংগদবা মীদু মীচং লৈতবা, শেংবা অমসুং হৈ-শিংবা ওইদ্রবদি পাউখুম পীগদৌরিবা মীগী ৱাখল্লোমদগী পাউখুম লাক্কনি। পাম্লিবদি ৱাহং হংলিবদুগী ৱাখল্লোনদা পীরকপা পাউখুমদুনি। তাকপিরিবদুগী থাক্তা তম্বীরবদি ছাত্রনা হৈগদবা লৈতে, তমজরিবদুগী থাক্তা তাকপিবদুদনি কান্নবা ফঙগদবসি। মরম অসিনা অর্জ্জুননা শ্রীকৃষ্ণদা কথোকই, ওঝা গুরু ওইনা হংজৈ। অর্জ্জুননা খঙই শ্রীকৃষ্ণদা লান পাম্বসু পামদবসু লৈতে, মাদি কুম্মে য়েংবতনি। অশোয়বা চুমথোকপিবা, লম্বী চুম্না তাকপিবা অদুগা মরম খঙহনবীবসি মহাক্তনা ঙম্মী।

দুর্য্যোধননা দ্রোনাচার্য্যবু গুরু অমগী মফমদা হংফম থোকপা, খঙদবা নৎত্রগা চিংনবা কোক্লবা ৱাদু হায়দে। চঙজবসু তৌদে। পাউদম্বনি, মহৌশাগী নুংঙাইনখিদবা ৱা নীংশিংহনবনি, অদুনা মদুদা শাওবীরগনা মাগী কান্নবা ফঙনিংবনি। অদুমক্না গুরুনা পাউখুমখিদে। মমৈথংদা তৌফম খঙদ্রবা দুর্য্যোধননা ভীষ্ম ঙাক শেনবিয়ু হায়না থৌদারগা তোকই। গীতাদগী তম্নিংঙাই য়াম্না লৈরি। মথং মথং নৈনমিন্নসি।

*শ্রীকৃষ্ণধার্পনমস্ত।*

## তাবুনুংদগী

*দিসেম্বর ১২ অনীশুবা নুপী লান মণিপুরগী পুৱারীগী লমায়দা সনাগী কালিনা ইদুনা লৈহৌরগদবা নুমিৎনি। নুপী লানগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মতম অদুগী লৈঙাক্লা মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবোতপু ফাদুনা শ্রীহট্টগী জেলদা থমখি। মহাক্লা জেল অসিদা লৈরিঙৈদা 'ইমাগী পুজা' কৌবা শৈরেং ৪৯ য়াওবা লাইরিক অমা ইরম্মী। লাইরিক অসিদা য়াওবা দিসেম্বর ১২বু নীংশিংলগা ইবা শৈরেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

### দিসেম্বর' ১২

ঙসি অহিং লেল্লে,
নুমিৎ অমা চৎখ্রে, শম পুনশিল্লু দেবী
ইফা ফারিবদো।
দিসেম্বর' ১২ অমা হৌখ্রে,
দিসেম্বর' ১২ অমা লাক্লে–
কাউরব্রা?
থাজব্রা শম পুনগনি হায়বা?
নিংব্রা নুমিৎ অসি লাক্কনি হায়বা?

## মণিপুরী পাঙ্থৈ-পাউরৌ, পাউতাক

* **খয়াত্তগী পাথবা**
  – লেম পানা লৈরবা, হেন্দোক্লা কোন্নরবা।
* **খজি খজিক নিখিবদা মপু পূম্নান চৎহৌই।**
  – পূকচেল চাউবা শাদুনা খরা খরা পীথোকখিবদা মপু লায়রহৌবা।
* **খজিত্তং কাঙথোকদা ৱাখল হেঞ্জিননা তাশিনবা**
  – ঈঙ্গিৎ খরা উৎপদা খঙবনা হেঞ্জিনবা অশিংবা মী।
* **খজিত্তং থাকপদা নম্বা**
  – খজিকতনা কোন্নবা মতিক ময়াই লৈবা পোৎ
* **খজিত্তং কাঙথোকপনা অপঙ অশিং চাং ওল্লি।**
  – ঈঙ্গিৎ খজিত্তং উৎপদা অপঙ অশিং লোয়না খঙবা ঙম্মী।
* **খজিক খরাত্তি মীওইবগী হৌনৈ।**
  – কা হেনবা থবক নৎত্রবদি মীওইবগী চৎনবিনি।
* **খরুং মফম চাদবা**
  – খোঙফম চেত্তবা।
* **খল্ল-খল্লগা কোইজোম্বা ওক্লে**
  – য়াম্না খলমল্লবসু অফবা ওইরক্তে, হেন্না খূদোংচাদবা থোকই।
* **খলহৈদবা ৱাখল খনবা ফত্তে**
  – ফত্তবা ৱাখল খনগনু।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## চানক্য নিতি

– নোম্বনা লাইরববু, জপ না পাপ্পু, তুমিন লৈবনা খৎনববু, কাউথোক্তবনা অকিববু মাঙহল্লি।
– ফজমনবদগী সীতানা, নাপন তৌমনবদগী রাবণ না, দান তৌমনবদগী বলি না মাঙনখি, কা হেনববু মতম পূম্বদা থাদোক্কদবনি।
– অকনবা (অঙম্বা) মীদা অৱূম্বা লৈব্রা? ললোনবা মীদা অরাপ্পা লৈব্রা? মহৈ হৈবদা মীরম লৈব্রা? নুংশিনা ঙাঙবা মীদা মীতোপ লৈব্রা?
– অফবা পাম্বী অমগী নুংশিবা লৈনম্না বন অমা শীন্থুংনা নুংশিহনবগুম্না অফবা মচা অমনা শাগৈবু চিংখৎলি।
– অকংবা উপাল অমনা মৈৱায়খ্রবদি বন পূম্বা তুম্না চাকহনবগুম্না ফত্তবা মচা অমনা শাগৈবু লোইনা চিংথৈ।
– মহৈ হৈবা অমসুং ধর্ম্মা লৈবা অফবা মচা অমা খক্তনা শাগৈ অমবু নুংঙাইহল্লি মদুদি থানা অহিংদা ওইবগুম।
– অৱা-অনা পীবা মচা ময়াম্না করি কান্ননি, শাগৈবু য়োকপা, থাঙ্গৎপা মচা অমখক্তনা হেল্লি।
– চহী মঙা ফাওবদি লুনা তৌগনি, মথং চহী তরাদি ৱারক ৱাতেমগনি, চহী তরাতরুক শুরবা মচাদি মরুপকুম্না লোয়নৌ।
– অৱাবা তাবদা, মীরৈবাক্লা লান্দারকপদা, চাক তাঙবদা, অমসুং মবুক ফত্তবগা তিন্নবদা নাম্থোক্লুবা তৌবদু হিংলবনি।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

২৬৮। মনা থাংশাং (মানবা), মপাল জামোর (মানবা) করি পাম্বীনো?
২৬৯। মখোক খূদিং মনা ৯। ৯ পানবা পাম্বীদু করি পাম্বীনো?
২৭০। হৌফম লৈফমগী মতুং ইন্না মমিং হোংবা, পোৎতি চপ মান্নবা করিনো?
২৭১। লৈফমগী মতুং ইন্না মমিং হোংবা অনাবদি চপ মান্নবা করি করি লায়নানো?
২৭২। কংফালদা পোকচরবসু ঈরোলনুংদা কুইনা লৈবা, চাক্তাবা ঙম্বা জীব করি জীবনো?
২৭৩। লৈনম চেনবা ঈশিংদা লৈবা জীব করিনো?
২৭৪। মহৈনা কাংদ্রুম (মানবা) মপালনা ক্লাক্লে চরোং মনানা তগুপ তরেংবা করি পামেলনো?

**মমাঙ নোংমাইজিং (০১-১২-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ**
*২৬৩) থম্না, থম্বাল, থমচেৎ, থম্বৌ, অমসুং মী, ২৬৪) তিম্ব্রোক, ২৬৫) শোরোক । লম্বী, ২৬৬) হৈগ্রু মনা অমসুং মঙ্গে মনা, ২৬৭) গমলাদা হৌবা হেঙ্গিং প্লান্ট*

## চয়োলশিংগী ফাগী

**মচাগী হাকন!!**

অমত্তা পোকচবা মচানুপানি। মমা-মপানা লুনা-চান্না, কেথোক- মৌথোক্লা য়োকচৈ। মপাদুনদি মচাগী তুংগী মপুন্সিগীদমক খন্দুনা মরক করক্তা চৈ-থাংজরবসু মমানা হেক- হেক কন্থোক্তুনা নৱাংলকই। অসুম্না লাকপনা মচানুপাদু পাখঙ ফারক্লবদা লমহেন-তু হেনবা ওইরক্তুনা মতমগী য়ুকা থকপা হৈরক্লে। নোংমদি মপাদুনা য়ু ঙাওরক্লবা মচাবু খোন্দা থীনা চৈরুবদগী মপা-মচা শঙ্গৎনরক্তুনা জ্ঞান তাদ্রবা মচাদুনা মপাবু থাংনা য়ানগনি শিংনরক্লবদা কীরবা মপাদু কোইচেন চেল্লি- " লৈকাই- লৈকাই ইচানুপানা থাংনা য়ান্দৌরে... থাংনা য়ান্দৌরে।" মতৌ অদু উবদা নুপীনা লাউরকই- "মাই পাবুং কৈদৌগে ইবুংঙোনা শাউদুনা থাঙনা য়ানগে হায়রবদি মনম্নরা করিনো খরা কোক হেক য়ালহনবীয়ুদনা মরাইনা ফজখিনি!"

**খঙনীংবা ৱাফম!!**

পাখঙ- ঐবু থাজবীয়ু মেমা, ঐগীদি নহাক্লা পুন্সিগী অহানবা অমসুং অরোইবা নুংশিবনি হায়বসি শেংলবনি, অদো নহাক্কীদি ঐহাক্লা অহানবরা নৎত্রগনা মমাঙদা কনাগুম্বা নুংশিনখিবগা লৈবরা শেংনা অমুত্তং হায়বীয়ুদনা?

লৈশাবী - তামো ঐবুসু থাজবীয়ু, ঐগীসু তামোনা পুন্সিগী অহানবনি, অদো তামো... নখোয় নুপাশিংনা অসুম্না হেক-হেক হংলিবসি করিগীনো!

**খুলং লমন !!**

নুপী - মহোই তামো, ঐখোয় তাকুমারখোইগী অহলশিংনা তামোহোই অৱাং কোল্লুপকী মেমথোইবী হায়ন-শিংনদৌরি ঙাংনরিসে হয়েং তুংদা মায় খুনিঙাইনিকো, মাই মেমথোইবী হায়সে শাগৈগী ইচনশিং থোকই হায়বতনি মরমচত্তি তামোহোইনা হেন্না খঙবিরিবদুনি, হান্না খরা হায়বিহৌ, ঐখোয়দি য়ূম্লোন-কৈরোন্নবা ওইজরক্লবসু হেক হায়রুদৌদো হঙ্গোইজে, তামোহোইগদি লুনা তিন্নবনিনা খরা হায়বিহৌ।

নুপা – (য়াম্না ইং-তপ্পা) তিন্নবা মরূপনি হায়দনা মানা ঐগীদদি হায়বিরকখিদ্রগা ঐদি মঙোন্দা কৈদৌবৈ হায়রুদৌরিনোদা?

**আশাজাও !!**

চহী চাম্মা শুরবা অহল অমখকপু খবরগী পাউমী অমনা ৱারী-ৱাতাই শানরুই লোয়শিল্লকপদা –

পাউমী – অদুদি ইপু নশু অমুক য়ৌজরগে, ঈশ্বরগী কৃপাদৈ মথং ইপুনা চহী ১০১ শুরকপদা অমুক উনজবা ফঙজগে?

অহল – করিগী কৃপা তৌদনি অতো, নখোয়দি য়াম নহা ওইরি পূন্সিখিনিনা!

**অশম্বা অঙ্ক !!**

তোম্বা – ভাই লুপা ১০০ খক্তা পুগে?

চাউবা – কদায়দেনো ভাই লুপা ৫০ খক য়াওরি।

তোম্বা – ফরে অদুদি লুপা ৫০ হান্না পীরো, নঙোন্দা ৫০ দু লৈহৌরসনু, ঐগী নঙোন্দা লৈহৌরিবা লুপা ৫০ দুগা, নহাক্কী ঐঙোন্দা তোল্লিবা ৫০ সিগা কোক্লরসি?

## শৈরেং

### হৌগৎলো ইমা

*– লু. রোজ মলংমৈ, সিঙ্গাপোর*

ঐগী ইমা মণিপুর
ইমা নুংশিবী
মীনুংশিনা মপাল নাইদবা ইমা
ঙসি নচা ঐসে পেল্লক্ত্রেনে ইমা
য়েংউ তৌরিবা লীলা ময়ামসে
ইমাগী নতম্বাক্তা থোক্লিবা ময়ামসে
নহাক্কী নরালনি হায়নিংলে ইমা।

ইমানদি নচা ঐখোয়বু
মখল ৩৬ কী লোন তম্বীরে
নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবগীদমক
অদুবু ঙসিদি ইমা
নচা ৩৬ অসে অমগা অমগা
হাৎকে তুপকে তৌনবগী মমি তারক্লে
মসিদনি নচা ঐনা পূক্লিং নুংশিরিসে
নচারোই ৩৬ তি চাউরক্লেদো
অদুননি মানা মানা খনবা অদুতমক
চুম্মী হায়না লৈনরে ইমা
অমুকসু কদায়দগীনো ইমা
নচা ঐনা তারক্লিবা পাউ অসিবো
অচুম্বরনে, অমুক্তসু তাজরক্তবা
নাগা মিংথোন অমমুক নচারোই খরনা
পুশিল্লকইসিবো ইমা!
হৌগৎলোনে ইমা
ৱারকপিররো লাক্লো ইমা।

ইমা মণিপুর হৌগৎলো
নচারোই ময়ামবু তুম্না
অমুক্তং মুখৎপিরো!
ইমানা অমুক মথং মপোক্তা লমদমসিবু
পুকচেল খোইজেল তিন্নবা
লমদমগী মপোক অমা
ওইহনবিরো ইমা।
লোনসু অমত্তং তম্বীরো ইমা
লোন য়াম্বনা কাং-খোঙ চায়রে ইমা,
লোন ৩৬ পু তুম্না মুখৎপিরো ইমা
লোন তিন্নবনা লৈবাক
চাউখৎ থৌরাংগী লমদা
মতিক চাবা নচারোইশিংবু
অমুক পোকপিরো ইমা।

*(সিঙ্গাপোরদগী থারকপা শৈরেং)*

### নুংশিবা মরূপ

*–এমদি সলাম খুরসিদ*

অচিকপা, অমম্বা, অঙানবদা চৎপা খূদিং
মানা ঐগী মরূপ্পি থৱায়নি, মণিনি।
লৈপ্লে মানা হেক্তা মাঙদা থৌনা ফনা
ঙংলৈ খোঞ্জেল অমত্তা থোক্ত্রবসু
কনাসু কিরুদ্রে চৎমিন্নরবদা পুন্না মাগা।
চৎখিগনি অমম্বা, অচিকপা অঙানবদসু নঙগা
হো নুংশিবা মরূপ, হো নুংশিবা মরূপ।

বোমগী নোংমৈগী মখোলনা
লেপখিবদা শিল্লি মানা হেক্তা
পূম্নমক্কী মহুৎ, পূম্নমক্কী মহুৎ,
মাবু কনামত্তনা শিন্দোকখিবা ঙমদে
মীগী ফনবা তৌবা ঙাক্তনিনা
মতম চুপ্পগী নুংশিখিনি থম্মোয়দা
হো নুংশিবা মরূপ, হো নুংশিবা মরূপ।

করিগুম্বদসু মহাক্লা ঐবু নুংশিবিবা
কয়াগী মতিক মতেং পাঙবিবা
কাউঙম্লোই মতম চুপ্পগী ওইনা।
মাগী নুংশিবনা থুক্নৎলা থম্মোয়নি
পোথাবা ফঙহন্দে ঙাইহাক্তং ফাওবা
তুম্বা চাবা মতম চুপ্পগী ওইনা
হো নুংশিবা মরূপ, হো নুংশিবা মরূপ।

মাগী লেমজবনা মাগী নৌজবনা
থম্মোয়বু চেজেৎনা কোন্দুনা লৈখ্রে।
থাদোক্লবা ঙম্লরোই পূন্সিগী ওইনা
শোনখিনি পূন্সিগী ওইনা নঙতবু
তমখিনি নঙবু নুংশিবগী খূদোল
লৌশিনবিয়ু লৎনবা লৈতনা চম্লবা খূদোল
হো নুংশিবা মরূপ, হো নুংশিবা মরূপ।

### হূ চেল্লে

*– ইরোম মোবি*

গারী মখল কয়া কয়া
কা হেন্না য়াম্লবা দিজল ওটোশিং
মনীংতম্না থৌবদগী
ইম্ফাল ময়োলগী নুংশিৎ
হূ চেল্লে।
নুংশিত্তি থৱায়নি
থৱায়না হূ চেল্লবদি
মী শিগনি
উচেক-ৱায়া শিগনি
থৱায় পানবশিং শিগনি।
লৈঙাক অমদি মীয়াম
ৱাখল তাবা ফরে।

### মরম অমা

*–তোংব্রম শামুঙৌ*

ঐনা,
ঐনা চৎলিবা
ঐগী পূন্সিগী
পূন্সি লম্বীসে
নঙনদি হায়রি
লম্বীদো লাল্লি।
অদুগা অমুকসু
নঙনা হায়রি
নঙনা চৎলিবা
নঙগী লম্বীদুনা
অচুম্বা লম্বীনি
পূন্সিগী,
অদুগা য়াদ্রিবনা করিগী
নতুং ইল্লক্লে ঐ,
নঙগী,
নঙনা চৎলিবা
অচুম্বা লম্বীদুদা,
হায়য়ু হায়য়ু
মরম হায়য়ু
মরম অদো
নঙনা নঙগী
চৎলিবা লম্বীদুনা
অচুম্বা লম্বীনি
হায়বগী অশেংবা
মরম অমা।

### ইতিহাস

*– নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা*

মমল নাইদ্রবা
পূন্সি খোঙচৎশিংসে
ইশিনবা তল্লবদি
ইতিহাস! নঙ কাতি ওল্লো।
অদুগা
ককথৎলু
মোৎলবী লৈনাশিংসে,
নোকউ, খাক্লা-খাক্লা
লৈখোক্তগী শীন্থরকপা
ঈরিকশিংদু য়েংলগা।
নেৎথৎহল্লু চবেৎ-চবেৎ
থৱাম্বাগী লমহেল্লবা হুইশিংদুনা।
হে ইতিহাস!
নঙ অতৈ অমত্তা ইদ্রবসু
ফৌশুখোনগা, মীকপখোনগা শিন্নবা
অসিমতংদি ইশিল্লু,
নঙগী লমায় হাঙদনবা।